থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ওগষ্ট ১৩ অমসুং মণিপুর

'চৎলোকো হে অথৌবা, কাউররোই নঙগী নপাউ, তমগনি চোকথরবা মীতৈদা, সতাব্দি কয়াগী মতুংদসু'... কনানা ইবা ঈশৈ ময়েক্লো খঙদে, অপূনবগী খোন্থোক্তা শকখিবা শৈশকপশিংদুগী মরক্তা ৱারেঙজরিবা ইশামক য়াওরুরবসু, কনাগী ময়েক্লো, কনানা সুর পানবনো হায়বদুদি থিগৎখিদে। ঐখোয় পুন্না মান্নবা খোন্থোক অমদি সুর তান শক্লনবা হোৎনখিবদুখক্তনি। মণিপুর পিপলস পার্টিগী লৈঙাক মতমদা ওগষ্ট ১৩ বু 'অথৌবশিংগী নুমীৎ' অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদবা থৌরমদুগীদমক, এমসুনা শীন-লাঙখিবা অথৌবশিং-শৈথা-ঈশৈ শক্লবা স্কুলশিংদগী অমমম অনী'নী খনগৎপদুদা রাম-লাল-পাল-হায়-স্কুলগী মীহুৎ ওইনা য়াওখিবনি। তম্ফাসনা-গর্লস-স্কুল-ওদিটোরিয়মদা ঈশৈগী ওজা সোইবম ইবোতোম্বীনা তম্বীখিবদু, ঙসি নৌহৌনা নীংশিংলকই। মতমদুদা খনখিবা ৱাখলদুগা, ঙসি ফাওরিবা ৱাখলসিগা কয়া শাথীনা খেন্নরবা।

মতমদুদা, মতমদুগী মমাঙ চহী খরদগী 'থর্তিন্থ-ওগষ্ট'-অথৌবশিংগী মফমদা কথোক্লবা নুমীৎ অমা ওইরমদে। রুপমহল থিয়েতর'না শান্নবা 'বীর তিকেন্দ্রজিৎ' দ্রামা য়েংনবইদমক খন্দোক্লবা অখন্নবা নুমীৎ অমগুম্না খন্নরকই। ওগষ্ট ১৩ থুংলগদবা নুমীৎ তরেৎনিগী মমাঙদগী দ্রামা পর্ফোর্মেন্স অদু য়েংনবইদমক এদভান্স-বুকিং হাংদুনা মাঙজেনিনা তিকেৎ লৌনরম্মী। তিকেৎ ফংবগী নুংঙাইবা, ফংহৌদবগী নীংবা কায়হৌবা- মীওই মখল অনী লৈকায় খূদিং থেংনরম্মী। দ্রামাদুদা উখিবা থাঙ্গাল জেনরেল অমদি তিকেন্দ্রজিৎ-অশেঙবদু ওইদা ওইরবোই খনখি। নুমীৎ কয়ানি, লৈকায়-লৈপুং-ৱারীগী মচাক ওইনখি।

চহী য়াঙ্খেগী মতুংসিদদি লৈপাক নীংবা অমদি নুংশিবগী মশক-মওং হোংখিবগুম তৌরক্লে। 'থৌনা ফবা তিকেন্দ্রজিৎ'- রুপমহল থিয়েতর'না দ্রামা ওইনা শান্নদুনা থাঙ্গাল অমসুং তিকেন্দ্রজিৎপু হিংগৎহল্লমদ্রবা, 'অথৌবশিংগী নুমীৎ' লৈরোন্নুংদা ফুমজিল্লমগনি, ষ্টেট হোলিদে লাউথোক্তুনা মীয়াম্না কোক নোল্লিবসি নোল্লম্লোই, থাজবীদবরা? যুবরাজ তিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থাঙ্গাল জেনরেল অনীবু ১৮৯১, ওগষ্ট ১৩দা মঙক'তা থৌরী থুদুনা ব্রিটিসশিংনা হাৎখিবা, করম্বা মরালগী চৈরাকনো? মরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখিবা, থৌনা ফবা/অথৌবা কৌবা য়াবরা? এংগ্লো-মণিপুর-ৱার (মার্চ ৩১-এপ্রিল ২৭, ১৮৯১), মণিপুরগী নীংতম-লান'নি হায়নরিবা লানফমদুদা মথ্বায় কৎখিবা অথৌবদি নৎখিদে। 'অদুগুম্বা নীংতম-লান অমত্তা থোকখিদে, অচৌবা ঈরাং অমদি থোকখি, ঈরাংদুদা লমদমসিগী লান্মীশিং য়েন্নাও ময়াম কায়দুনা চেনবগুম চেন্নখি' হায়দুনা ইতিহাসকার অমনা লাইরিক অমদা ইরুবগী অচৌবা ৱাথোক অমসু লৈখিবনি লমসিদা। অদুবু হিষ্টরিগী লাইরিকশিংদগী ফংবা রেকোর্দকী মতুংইন্না, ঐখোয়না খঙজবা ইনফোর্মেসনদি- মতমদুগী আসামগী কম্মিস্নার ক্বিন্তন অমদি ব্রিতিস পোলিটিকল এজেন্ত গ্রিমউদ য়াওনা ব্রিতিস ওফিসর মঙা, কংলা উত্রা-মাঙদা মীতৈশিংনা হাত্তোকখিবা মতুংদগী খোয়শাউনরবা ব্রিতিসশিংনা, মায়কৈ অহুমদগী মণিপুরদা লান্দারকখি। কোহিমারোমদগী থোমজিল্লকখিবা লান্মী খুৎপু অদুনা মেজোর জেনরেল 'ঐচ কোল্লেত'না লুচিংলকখি; সিলচরলোমগী আর্মি কল্লম অদুগী কম্মান্দর'না কর্নেল 'আর ঐচ এফ রেন্নিক'নি অদুগা তমু (বর্মা) রোমদগী থাজিল্লকপা তেঙ্গোল অদুনা ব্রিগেদিয়র জেনরেল 'টি গ্রাহম'না লুচিংলকখি। নুমীৎ তাবা লৈত্রবা লমগী ঙমখৈ অমা লৈতনা পাক চাউরবা লৈপাকশিংগী মপু ওইনা পাল্লিবা ব্রিতিসশিংনা খূজিন মমায়মুক্তং পাক-চাউবা লমদম অমদা লান্দাববু মায়কৈ অহুমলোমদগী করিগী? ইশানা ইশাবু থাগৎপা লম য়ৌই হায়খিনি, থম্মোয়সিদা ফাওরিবা ৱাখলসি ৱাহৈ ওন্থোকচররোই। অতোপ্পা মীৎয়েং, ময়াম্না ঙাঙনরিবা ৱা'দুসু চুম্মী/লাল্লি নৈনজরোই। থোকখিবা থৌদোক খরদুতং লৌখৎলগা নৈনসি- তুসোল্লবা, পীকখ্রবা লমদম মণিপুর'দা ব্রিতিসশিংনা করিগী লান্দানবা ফিরেপ লৌখিবনো?

পূম্নমক্লা খঙই- ১৮৩৫ দগী 'মণিপুর'দা ব্রিতিস পোলিটিকল এজেন্ত থম্বা হৌরকখি। অৱা (বর্মিজ)শিংনা মণিপুর খুদুম চন্দুনা, চহী তরেৎ খুন্তাক-লানশিহনখিবা (১৮১৯-১৮২৬), নিংথৌ 'গম্ভির-সিংহ'না মীরম (কছার)দা চেন্দুনা লোৎখিবা, ব্রিতিসশিংগী মতেংদগী বর্মিজশিংবু মণিপুরদগী তকথোকখিদুনা মীচেন ওইরুরবা 'গম্ভির সিংহ'বু নিংথৌ খুভম হনজিনহনখি। মীকুপ্তুদই হৌদুনা, মীতৈ-লৈপাক-মণিপুর ব্রিতিস'না ঙাক-শেনবীবা লৈপাক (প্রোটেক্টরেট) অমা ওইরকখি। ১৮৫৫, বর্মাগী অৱাংথংবা শরুক, ব্রিতিস লান্মীশিংগী অচৌবা কোলোনি অমা থমখিঙৈদগী 'মণিপুর'গী নিংথৌগা অফবা মরী থমদুনা ব্রিতিস-ইন্দিয়াগা তাইনবা লম অসিবু মরুওইবা ফ্রন্তিয়র-ষ্টেট অমা ওইনা থম্বা পামখি। মণিপুর খুন্নাই অমদি লৈঙাক্লোন্দা অহোংবা কয়া পুরক্লবা হোৎনখি।

১৮৮৬, মহারাজ চন্দ্রকির্তি'না থুপখ্রবা, মচাইবুংঙো অহল সুরচন্দ্র'না নিংথৌ ফম্বাল তোংল'তুং তিকেন্দ্রজিৎ'না, মপাইবুংঙো হাক্তক্তগী মণিপুরদা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনরম্বা ব্রিতিসশিংগী থৌরাং-থৌশিল কয়াদুদা অয়েৎ-অথিং পীরকখি। ব্রিতিসশিংনা তাথীবা হৌখিবগী মরুওইবা মরম-মসিনি। তিকেন্দ্রজিৎনা থাজখি-ব্রিতিসশিংনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং, মণিপুরবু মখোয়গী পোলিটিকল কোলোনি ওন্থোক্লবগীদমক পায়খৎলকপা অহানবা খোঙথাং অমনি। মরকসিদা, ১৮৮৬তগী ১৮৯০ ফাওবগী মনুংদা মণিপুরগী নিংথৌকোন'দা থোকখিবা, পোকমীননদবা মচিন-মনাও মরক্কী নিংথৌ খুভম মুন্নবগী লান-অঙকপনি। অচৌবা লাইরিক অমা ওইনা ইথোকপা য়ানবগী মচাক থন্না য়াওরবনি। ৱাচোই তারনি ইজররোই।

নিংথৌ খুভম মুন্নবগী লান কনশিল্লকপদগী, সুরচন্দ্র তুমীন কছারদা চেনখ্রগা ব্রিতিসশিংদা মহাক্কী নিংথৌ খুভম হনজিনহনবীনবা ৱাকৎলুই। মতমদুদদি মণিপুরগী নিংথৌ, সুরচন্দ্রগী মনাওনুপা কুল্লচন্দ্রনা ওইরে। কুল্লচন্দ্রনা নিংথৌ ওই হায়জবতনি, লৈঙাক শক্তি পায়রিবদি সেনাপতি ফম পায়রিবা, মনাওনুপা যুবরাজ তিকেন্দ্রজিৎনি। ব্রিতিসশিংনা 'তিকেন্দ্রজিৎ'পু মখোয়গী মখুৎ চন্দুনা ফানবগী চপ চাবা খুদোংচাবা অমা ফংলে খনখি। ফাদুনা চৈরাক পীনিংখি।

ফেব্রুৱারী ২১, ১৮৯১, ব্রিতিসকী ভাইসিরোই লোর্দ লেন্সদাউন'না আসামগী চীফ কম্মিস্নার জে দব্লিউ ক্বিন্তন'দা মহারাজ কুল্লচন্দ্রবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা শকখঙনবা, যুবরাজ তিকেন্দ্রজিৎপু ফাদুনা ফাদোক ওইননবা য়াথং তৌখি। মিষ্টর ক্বিন্তন, 'কর্নেল স্কেনি'না লুচিংবা লান্মী চামরীগী তেঙ্গোল অমগা লোয়ননা মার্চ ২২দা মণিপুরদা থুংলখি। তিকেন্দ্রজিৎপু খুৎশিন্ননবা খঙহনখি। মখাদি, পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱারীদুনি। তিকেন্দ্রজিৎপু ফোংনা শিন্নৌ য়াদ্রবদা অরোনবা খূজিন-থৌরাং তৌদুনা ফাননবা হোৎনখি। মায় পাকখিদে। অচৌবা মুক্লবদুগী মহয় ওইনা আসামগী চীফ কম্মিস্নার অমদি মণিপুরগী পোলিটিকল এজেন্ত য়াওনা ব্রিতিস ওফিসর মঙাগী মথ্বায় মাঙখি। ব্রিতিসশিংগী মমায়দা খুপাক্লা থাবগুম থোক্লমগনি। খোয়শাউনরবা ব্রিতিসশিংনা লান্দানবা ফিরেপ লৌখিবা, থৌদোক্তুনা মরম ওইরগনি। 'লান'দা মণিপুর মায়থীরে। তিকেন্দ্রজিৎ মীচেন ওইখরে। ফাদুনা ৱায়েন চত্থরে। শিবগী চৈরাক লাউথোক্লবদু মহারানী ভিক্তোরিয়া'না ঙাকপীনবা য়াথং পীরক্লবসু, য়াথংদু ফংদ্রি হায়বা পাউথোংদা তিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেল অনীবু ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি। নুমীত্তুনি ঙসি নীংশিংলিবা।

# অনৌবা খুৎলায় শীজিন্নদুনা

লৌশিং পুক্কে

## ঐখোয়গী তিলদগী কোভিদ-১৯ দাইগ্নোজ তৌবা ঙম্লে:ষ্টদি

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী মাসাচুসেট্স ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) অমসুং হাভার্দ য়ুনিভর্সিটিগী ইঞ্জিনিয়রশিংনা তিল (সেলাইভা)গী সেম্পল অমদগী পুং অমরোমগী মনুংদা সার্স-কোভ-২ দিটেক্ট তৌবা ঙম্বা টেবলদা থম্বা য়াবা অপীকপা খুৎলায় অমা শেমখ্রে। অনৌবা ষ্টদি অমদা, খুৎলায় অসি শীজিন্নদুনা তৌবা দাইগ্নোষ্টিক অসি হৌজিক শীজিন্নরিবা পি সী আর টেষ্ট অসিগা চপ মান্ননা এক্যুরেট ওই হায়বা মখোয়না উৎখি।

খুৎলায় অসিনা হৌজিক হৌজিক পাক শন্না শন্দোক্লিবা সার্স-কোভ-২গী ভেরিয়ন্ট খরগা মরী লৈনবা অককল্লবা ভাইরস ম্যুটেসনশিংবু দিটেক্ট তৌনবদসু শীজিন্নবা য়াই হায়রি। মসিগী রিজল্ট অসিসু পুং অমগী মনুংদা ফংবা ঙমই, মসিনা মরুওইনা জিনেটিক সিক্কেন্সিংগী ফেসিলিটিশিং লৈতবা মফমশিংদা ভাইরস অসিগী তোঙান তোঙানবা ভেরিয়ন্টশিংবু ট্রেক্ট তৌবদা য়াম্না লায়থোকহনবা ঙম্লগনি হায়রি।



এম আই টিগী ইনষ্টিট্যুট ফোর মেদিকেল ইঞ্জিনিয়রিং এন্দ সাইন্স (আই এম ঈ এস) অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওলোজিকেল ইঞ্জিনিয়রিংগী মেদিকেল ইঞ্জিনিয়রিং এন্দ সাইন্সকী টর্মির প্রোফেসর জেম্স কোল্লিন্সনা হায়, ঐখোয়গী প্লেটফোর্ম অসি নৌনা থোরক্লিবা ভেরিয়ন্টশিং দিটেক্ট তৌনবা প্রোগ্রাম তৌবা য়াই হায়বদু ঐখোয়না দেমোনষ্ট্রেট তৌরে। ষ্টদি অসিদা ঐখোয়না য়ু কে, সাইউথ অফ্রিকা অমসুং ব্রাজিলিয়ন ভেরিয়ন্টশিংদা টার্গেট তৌখি, অদুবু দাইগ্নোষ্টিক প্লেটফোর্ম অসি দেল্টা ভেরিয়ন্ট অমসুং নৌনা থোরক্লিবা অতোপ্পা ভেরিয়ন্টশিংদসু অদুম্মক শীজিন্নবা য়াগনি হায়খি। প্রো. জেম্স কোল্লিন্স অসি সাইন্স এদভান্সেস জর্নেলদা পব্লিস তৌরকখিবা অনৌবা ষ্টদি অসিগী সিনিয়র ওথরনি।

সী আর আই এস পি আর টেক্নোলোজিগী মতেংনা শেমগৎপা অনৌবা দাইগ্নোষ্টিক অসি দোল্লর ১৫রোমনা এসেম্বল তৌবা য়াই, অদুবু খুৎলায় অসি মশিং য়াম্না পুথোক্লবদি হায়রিবা মমল অসিদগী য়াম্না হন্থরকপা য়াগনি হায়না রিসার্চরশিংনা ফোঙদোকখি।

অনৌবা দাইগ্নোষ্টিক অসি কোল্লিন্স অমসুং অতোপ্পশিংনা ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০১৭দা রিপোর্ট তৌখিবা সী আর আই এস পি আরদা বেজ তৌবা টুল অমা ওইরিবা শর্লোকতা বেজ তৌবনি। সিষ্টেম অসিগী কম্পোনেন্টশিংদা স্পেসিফিক টার্গেট আর এন এ সিক্কেন্সশিংবু দিটেক্ট তৌবা ঙমহনবা আর এন এ গাইদ ষ্ট্রান অমা য়াওরি, লোয়ননা সিক্কেন্সশিং অসিবু খাইদোক্লদুনা ফ্লুরেসেন্ট সিগ্নেল অমা পুথোকপা কাস এঞ্জাইমশিং য়াওরি। হায়রিবা মোলিক্যুলর কম্পোনেন্টশিং অসি মতম শাংনা ফ্রিজ-দ্রাই তৌদুনা থম্বা য়াই অমদি ঈশিংগা থেংনহনবদা রিএক্টিভেট তৌরকই।

মখোয়না য়াম্না থুনা রিজল্ট পুথোকপা ঙম্বা অমদি এক্সপিরিয়ন্স য়াম্না লৈত্রগসু নৎত্রগা শুকলৈ লৈত্রগসু ওপরেট তৌবা য়াবা দাইগ্নোষ্টিক দিভাইস অমা শেম্বা ঙমগনি হায়না থাজবা থম্বগা লোয়ননা মমাঙ চহীদগী কোলিন্সকী লেবনা টেক্নোলোজি অসিবু সার্স-কোভ-২ ভাইরস দিটেক্ট তৌবদা এদাপ্ট তৌনবা হোৎনরকখি। মখোয়না দিভাইস অসি শীজিন্নগদৌরিবা মীওইশিংদা হেন্না লায়হন্নবগীদমক তিলগী সেম্পলশিং শীজিন্নরগা মথৌ তৌবা য়াহনবসু পামখি।

ষ্টদি অদুগী লিদ ওথরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জ্যাও টাননা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী পান্দমদি অতোপ্পা ইক্বিপমেন্ট অমত্তা মথৌ তাদবা মপুঙ ফানা সেল্ফ-কন্টেন্ট ওইজবা দাইগ্নোষ্টিক অমা শেম্বা হায়বসিনি। তঙাইফদনা পেসেন্ট অদুনা দিভাইস অসিদা তিল শীৎকনি (হাপকনি) অমদি প্লঞ্জর অমা নমশিনগনি অদুগা পুং অমগী মতুংদা রিজল্ট ফংগনি।

রিসার্চরশিং অদুনা মিনিমেল্লি ইনষ্ট্রুমেন্টেদ শর্লোক (এম আই শর্লোক) হায়না কৌরিবা দিভাইস অসি মোদ্যুল মরি ফাওবা হাপ্পা য়ানবা মওংদা দিজাইন তৌখি। মোদ্যুল খুদিংমক্লা মান্নদবা টার্গেট আর এন এ সিক্কেন্স অমমম য়াওবরা য়েংগনি। ওরিজিনেল মোদ্যুলল অদুদা সার্স-কোভ-২গী ষ্ট্রেন অমা হেক্তা দিটেক্টট তৌবা আর এন এ গাইদ ষ্ট্রান্দশিং য়াওই। অতোপ্পা মোদ্যুলশিংনা মমাঙ চহীদা থোক্লকখিবা ভেরিয়ন্ট খরগা (বি.১.১.৭, পি.১, অমদি বি.১.৩৫১ য়াওনা) মরী লৈনবা অককল্লবা ম্যুটেসনশিং দিটেক্টট তৌনবনি।

রিসার্চরশিং অদুনা মখোয়গী ষ্টদি অসি চথবা মতমদদি দেল্টা ভেরিয়ন্ট পাক শন্না শন্দোক্ত্রি, অদুবু সিষ্টেম অসি শেল্লবনিনা হায়রিবা ভেরিয়ন্ট অদু দিটেক্ট তৌনবা অনৌবা মোদ্যুল অমা দিজ াইন তৌবদা করিমত্তা ৱারোই। সিষ্টেম অসি ভাইরস অসিবু হেন্না ইনফেক্সিয়স ওইহনবা ঙম্বা অনৌবা ম্যুটেসনশিং থোক্লকপা মোনিটর তৌনবগীদমক্তসু য়াম্না লায়না প্রোগ্রাম তৌবা য়াগনি।

রিসার্চরশিং অদুনা অহানবদা মখোয়গী দিভাই অদু সিন্থেটিক সার্স-কোভ-২ আর এন এ সিক্কেন্সশিং য়াওবা মীওইবগী তিলদা অমদি টেষ্ট তৌবদা ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবা পেসেন্টশিংদগী সেম্পল ৫০ রোম শীজিন্নদুনা দিভাইস অসি টেষ্ট তৌখি। মদুদা দিভাইস অসি হৌজিক শীজিন্নরিবা গোল্ড ষ্টেন্দর্দ পি সী আর টেষ্টকা চপ মান্ননা এক্যুরেট ওইবা থেংনখি। হৌজিক শীজিন্নরিবা পি সী আর টেষ্ট অসি তৌবদা নেজল স্বাব লৌবা মথৌ তাই অমদি মতম হেন্না চঙই অমদি রিজল্টশিং পুথোক্লবগীদমক হার্দৱায়রশিং অমদি সেম্পল হেন্দলিংসু য়াম্না চঙলিবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# 'লৌমীশিংগী রাইট মাঙহনবীগনু'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস):

লৌমীশিংগী রাইট মাঙহনবীগনু, পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়না নোংপোক ইম্ফাল লৌমী-শিন্মী অপূনবা লূপ (নিলসাল)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নোংপোক ইম্ফাল লৌমী-শিন্মী অপূনবা লূপকী সেক্রেটরি থিয়াম রোমেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা পীরিবা হার অসি ফিল্ডগা য়েংনবদা মতিক চাই হায়না লৌবীবরা। লৌমীশিংনা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদনবা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা চহী অমা চাননবা চীঞ্জাক পুথোক্লবা হোৎনরিবা লৌমীশিংবু মীরাইবীরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরমদি মণিপুরগী চীংগী লমগা তম্পাক্কী লমগা য়েংনবদা চীংগী লমনা চাউবা, তম্পাক্কী লমনা পীকপা অসিদা মণিপুর মীয়ামগী অমদি লৌমীশিংগী য়েংলগা ইরিগেসন কেনেল শেম্নীদবা, আর এল আই মতিক চানা থম্নীদবা, খরা থম্নীবা অসিসু মশীং শুনা ফঙ্কসন তৌদবা, মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা ফিল্ডদা চৎপীদবা, লৌমীশিংনা পোত্থোক পুথোক্লবা হার মরাং কায়না পীবীদবা অসিনা লৌমীশিংগী পূক্নিং শোন্থজে। অদুনা এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা পূক্নিং চঙবীদুনা দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী এরিয়া য়েংবীরগা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচরগী খুত্থাংদা য়ৌহনবীদুনা লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহনবীয়ু। ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পীরকপা হার অদু দি এ ও ইম্ফাল ইষ্টনা ফার্মরশিংবু মশক খঙদোকপীদুনা পাট্রা অমদি আধার য়েংলগা য়েল্লিবা অসি থাগৎচরি। লৌমীদা মীচঙ-মীখায় নাইবীগনু, হারনা ভোট খোম্বগী থবক লৈঙাক্লা থাদোকপীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


# পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস):

৫৬শুবা চাক্লাম খোঙচৎ নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা ষ্টেট লেভেল ওনলাইন পেন্টিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্কনি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

এমসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি রবিনা নেপ্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৬৫কী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈখ্রবা চাক্লাম খোঙচৎ থৌদোক থোকখ্রবা মতুং চহী খূদিংগী ওগষ্ট ২৭তা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না চাক্লাম খোঙচৎ নুমীৎ (হঙ্গর মার্চর্স দে) হায়না নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। চৎলিবা চহী অসিগীসু লাক্লিবা ওগষ্ট ২৭ অসিদা ৫৬শুবা চাক্লাম খোঙচৎ নুমীৎ থৌরম পাঙথোকচগদৌরি। হায়রিবা নীংশিং থৌরম অসিগা মরী লৈননা এমসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা ষ্টেট লেভেল ওনলাইন পেন্টিং কম্পিটিসন অমা ক্লাস সিক্সতগী টুয়েল্ভ ফাওবগী কেটেগোরিদা পাঙথোকচগদৌরি। কম্পিটিসন অসিদা ইরৈচাশিংনা শরুক য়াবীনবা হায়জরি। কম্পিটিসন অসি শরুক য়াবদা মখল অমত্তগী শেল চঙদনা শরুক য়াবীবা য়াগনি। কম্পিটিসন অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন (থীম)না 'দি পেন্দমিক, ইট্স ইফেক্ট ওন দ পোর এন্দ দিপ্রাইভ' অসিনি। মকোক-মথং তারবশিংদা শেল অমদি সর্টিফিকেটকী মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎচগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ৮৮৩৭৩৭৯২১৫, ৯৩৬৬১৪৩৮৫৮, ৯৮৫৬৪৬৯১৮৪, ৬৯০৯১৫৪২৭১ অমদি ৭০০৫৪০৯৭৯২দা পাউফাওবীরকউ অমদি এমসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ওফিসল হায়রিবা ফেসবুক পেজ অসিদা চঙবীদুনা হেন্না অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

# মমি ৱারী থৱান



থউ মমল মমাঙ চহীদা লুপা ৬৮, হৌজিক্না লুপা ১০৬, হেনগৎলক্লিবা মমলসিনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং কনানা ঙাকথোক্কনি। পোৎ খূদিংমক্কী মমল হেনগৎপসি করিনা করিগী মনুংদা চংঙগা ওইরকপনো। কনানা ওইহনবনো। কোকসি অমুক্তংদি খুগাইমিন্নানিংঈ।

# থক্লবা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯না অৱাবা চৈথেং নংলবা লমদিং এলাংবম লৈকায়গী য়ুমথোঙ ৮০ হেনবদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রমগী মীৎয়েং মখাদা এস এ সী এ লমদিং এলাংবম লৈকায় অমদি খাঙবোক এ সীগী এম এল এগী মীৎয়েং মখাদা লৈরিবা লমদিং এলাংবম লৈকায় কোভিদ টাস্ক ফোর্স ভলন্টিয়রশিংগা খুৎশম্নদুনা থক্লবা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে।

লাইবক থীবদি হৌজিক হৌজিক লমদিং এলাংবম লৈকায় অসি কোভিদ পোজিটিভ মশীং হেনগৎলকপদগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট থৌবাল লৈকায় অসি কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবদগী য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদবদগী প্রোগ্রাম অসি এম এল এনা শীনবীরকপনি। পোজিটিভ ওইরবশিংগী ইমুং মনুংশিংদসু চান-থক্লবা চেঙ, হৱাই, আলু, ঙারি-থুম, থাউনচিংবসু পীদুনা ইমুং-মনুংশিংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি হায়নসু ফোঙদোক্লমখি। লৈকায় অদুগী মীয়াম্নসু এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রমবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখা তানা মীয়ামগী থৌগল মপুং ফানা তৌবা ঙম্বা ওইরসনু হায়নসু শেম্নীবা মপুদা থৌনিজখি হায়রি।


# BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR





ꯊꯥꯒꯠꯆꯕꯥ

থাগৎচবা

ইকায় খুম্নজরিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর শ্রীনোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমদি ইকাই খুম্নজরিবা শিক্ষা মন্ত্রি শ্রীসোরোখাইবম রাজেন সিংহ অনীনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা Board of Secondary Education, Manipur না লৌগদবা High School Leaving Certificate Examination, 2021 COVID-19 Pandemic না কা হেন্না কনশিল্লকপনা মরম ওইদুনা পরিক্ষা পাঙথোকপা য়াদনা লৈবগা লোয়ননা সরকারগী মায়কৈদগী High School Leaving Certificate Examination, 2021 cancel তৌবীবগা লোয়ননা ছাত্র-ছাত্রীশিংগীসু চহী মাঙদনবা নিয়ম কয়ামরুম পুথোকপীদুনা থবক মখা চত্থবা হৌজরকখিবনি। পরিক্ষা থাগদবা ছাত্র-ছাত্রীশিংদসু হৌনবী মতুংইন্না ফোর্ম ফিলঅপনচিংবা তৌহনবগা লোয়ননা Board নসু মরী লৈনবা পরিক্ষাগী রুতিন্নচিংবা লাউথোক্তুনা মতম লেপ্পুরবনি অমদি Shri M. Harekrishna, IAS (Commissioner Hr. & Technical Education/Education(S), Govt. of Manipur, Shri L. Nandakumar Singh, IAS, Director of Education(S), Govt. of Manipur, Z.E.O. শিং, Guardian শিং, Educationist শিং, Stakeholder শিং অমদি Board না recognised তৌবা School শিংগী ওজাশিং ময়াম চঙদুনা মখোয় মখোয়গী School শিংগী ওইবা result committee ময়াম অমা শেমদুনা Board না পীরিবা নিয়মশিংগী মতুংইন্না Board তা লানখৎতুনা পরিক্ষা মতম চানা হান্না লেপখিবা মতমদগী চোন্থদনা ফল লাউথোকপা ঙমজখিবগীদমক পুম্নমকপু Board কী Chairman অমদি Staff Employee শিংগী মায়কৈদগী ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

মতুংদসু অসিগুম্বা থবক অসি থোক্লকপা মতমদা হন্দক্কী অসিগুম্না ময়াম্না শোয়দনা মতেং পাংবীরক্কনি হায়বা Board কী মায়কৈদগী থাজবা থমজরি।

HL-P/3833/13

Sd/- **Akham Joykumar Singh**, Chairman